ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

অনন্দসিং যোগা এন্দ নেচর ক্যুর রিছার্স হোস্পিটালনা শীন্দুনা হোস্পিটাল অসিগী যোগা হোলদা পাঙথোকখিবা নেচ্যুরোপেথি নুমীৎ থৌরম

SECOND NATUROPATHY
18th November 2019
Venue AYNCURH, Yoga Hall

লামায় ৫

কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকাই দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমসুং কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকাই চনুরা চাউখৎ-থৌরাং লূপ মৈরা পায়বীনা পূন্না শীন্দুনা পাঙাথোকখিবা চেকশিন মীফম

লামায় ৪

নাগা পিছ টোকনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা অকায়বা পীবা য়ারোই হায়দুনা লম্লাই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শিল্লগা পাঙথোকখিবা রিলে হঙ্গর ষ্ট্রাইক

"RELAY HUNGER STRIKE"
NON-DISCLOSURE OF NAGA PEACE TALKS
&
MANIPURGI APUNBAGI SAKTAMDA AKAIBA PIBA YARO
Organised by:
LAMLAI BLOCK CONGRESS COMMITTEE

লামায় ৩

ৱর্ল্ড দাইবেটিস দেগা মরী লৈননা লায়ন্স ক্লব ওফ থৌবালনা শীন্দুনা খোংজোম বজারদা পাঙথোকখিবা ফ্রী দাইবেটিস দিটেক্সন এন্দ এৱেয়রনেস প্রোগ্রামগী শক্তম

World Diabetes Day
FREE DIABETES DETECTION AND AWARENESS PROGRAMME

লামায় ৫

Vol. 43, Issue No.230 নিংথৌকাবা, হিয়াঙ্গৈগী ২১নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Monday, November 18, 2019, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

ঙসিনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম, নবেম্বর ১৯দনা পুং ১৮গী মণিপুর পূম্বা টোটেল শটদাউন তৌরগনি : মেনপেক

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭(ঐচ এন এস): পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯ পুথোক্তুনা পাস তৌনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী মায়োক্তা হয়েং খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমগনি, অদুগা নবেম্বর ১৯দনা পুং ১৮গী মণিপুর পূম্বা টোটেল শটদাউন তৌরগনি হায়না মণিপুর পীপল এগেনষ্ট সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল (মেনপেক)না লাউথোকখ্রে।

ক্বাকৈথেল গর্লস হায় স্কুলদা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবা অমদা মেনপেককী কনভেনর য়ুম্নামচা দিলিপকুমারনা হায়খি, হয়েংদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯ অসি পুথোক্তুনা পাস তৌনবগীদমক মীফম অসিগী মাংওইননা পুথোকখিবা বিজিনেস লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১৬তা য়াওরে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন-আই এমগী ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ চঙশিল্লিঙৈ চৈরক অসিদা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল অসি পাস তৌনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হোৎনরক্লি। থৌওং অসি মণিপুর য়াওনা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা লাঞ্জাও থোক্নবা শিনবনি। কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ৮দা লোক সভানা সী এ বি ২০১৬ পাস তৌরবা মতুং রাজ্য সভাদা পুথোকপা ঙমদনা তোকখ্রবা অমদি মথন্তা লান্স ওইজগ্রবনি। লোক সভাদা হেক পাস তৌখিবগা রাজ্য সভাদা পুথোকপা য়ারোই অমদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা সী এ বি চৎনবা য়ারোই হায়বগী অকনবা খোঙজং কয়া মেনপেকনা মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিনখি। মসিগী মতুংদা মেনপেককী লিচিং মখাদা নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্দিজিনস পীপল (নেফিপ) শেমদুনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট পূম্বদা অমত্তা ওইনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। হৌখিবা থা ৮ হেনবগী মতম অসিদা মেনপেকনা মীয়ামগা লোয়ননা সী এ বি চৎনবা য়ারোই হায়বগী খোল্লাউসু লেপ্তুনা লাউদুনা লাক্লি। অদুবু এন দি এ লৈঙাক অসিনা তৌনিংবতা তৌরক্লি। সী এ বি অসি অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওইনদি য়েক্লবনি। মণিপুর, মিজোরাম, নাগালেন্দ, অসাম, মেঘালয়া, অরুনাচল প্রদেশ অমদি ত্রিপুরাদা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈজরিবা ইন্দিজিনস পীপলশিংবু নমহৎপা ঙম্বা ফোরেন নেসনল কয়া অথিংবা য়াওদনা পুশিল্লকপা য়ানবা শেম্বা বিলনি। মণিপুরদা নৎতনা ইন্দিয়াগী

…মখা লামায় ৩ কলম ২

NO CAB IN NORTH EAST
WITHDRAW CAB UNCONDITIONALLY
WITHDRAW CAB UNCONDITIONALLY
No CAB in North East

ফ্রেমৱর্ককী ইস্যু লৈরিঙৈদা সী এ বি পুথোরক্কদৌরিবসি মীয়ামগী অপূনবা খোল্লাউনা থেংনহৌদ্রবদি অরুবা ফীভম লাক্লগনি : নন্দো

AVOID DIVIDE & RULE
DON'T DISTURB PEACEFUL CO-EXISTENCE
YAROI

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : ফ্রেমৱর্ককী ইস্যু লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা সী এ বিসু পার্লিয়ামেন্টতা পুথোরক্কদৌরিবা ফীভমসিদা মণিপুর মীয়ামগী অপূনবা খোল্লাউনা থেংনহৌদ্রবদি অরুবা ফীভম লাক্লগনি হায়না অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ নন্দোনা ফোঙদোকখ্রে।

ব্রাইটৱে ক্লব, ক্বাকৈথেল লমদোং লৈকায়, এ কে ৱাই ও কোঞ্জেং অৱাং, এম ৱাই এ, এ এন এস, ৱাই সী এম অমদি দব্লিয়ু আই এল এলনা শীন্দুনা ঙসি টিদ্দিম গ্রাউন্দ মনাক্তা ফমখিবা চেকশিন মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা পি ঐচ নন্দোনা হায়খি, পিছ টোক্কী ৱাফমসি লমদম অসিদা য়াম্না অচৌবা ইস্যু অমা ওইরি। পিছ টোক চথরকপা চহী ২২ রোম শুরকপা অসিদা ৱারোইশিনগী তাঙ্কক লাকপদা মণিপুরগী ফীভম শোকপা য়াবা য়াওরকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা লমদমসিদা তংদু-লৈতাদবা ফীভম লাকপনি। ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী অচৌবা ইস্যু অমা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা সী এ বিগী ৱাফম অমুক লাকপনা লমদমসিগী মীয়াম্না চপ চানা থেংনহৌদ্রবদি অরুবা ফীভম লাক্লগনি।

কুমজা ১৯৯৭ গী ওগষ্ট ৪ দা অমুকোনা শীন্দুনা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখি। সাউথ ইষ্টতা য়াম্না অচৌবা মীয়ামগী খোঙচৎ ওইখিবা রেল্লি অদু মণিপুরগী অপূনবা শক্তমগীদমক চৎখিবনি। পিছ টোক্কী মিংদা মণিপুরদা অকায়বা পীরকপা য়াবা থৌওং কয়া চথদুনা লাক্লি। বেঙ্কোক্তা এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনবা মতমদা লমদমসিদা অচৌবা ঈৱাং থোকখিবগা লোয়ননা অথৌবা-অথৌবী কয়ানা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবনি। পিছ টোক চথরকখিবা অসিগী তাঙ্কক কয়াদা খুৎয়েক পীনবগী ফীভম লাকখ্রে। কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দসু ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনখি। পিছ টোক্না মরম ওইরগা লমদমসিদা ওইরক্লিবা ফীভম কয়া অসি লৈঙাক্লা উফম থোকই। ফ্রেমৱর্ককী অচৌবা ইস্যু লৈরিঙৈ তানফমসিদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা সী এ বি পুথোক্লবা থৌরাং তৌরক্লি। সী এ বি চৎনরকপা তারবদি মণিপুরগুম্না অপীকপা লমদমদা চাউনা শোক্লক্লগনি। ইন্দিয়াগা য়ুমথংনরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদগী হিন্দুশিং ইন্দিয়াদা সিটিজন

…মখা লামায় ৩ কলম ৪

নবেম্বর ২৩ ফাওবা শাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭(ঐচএন এস): বোসেমনা লৌদুনা পাঙথোক্কদবা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০২০দা এক্সটর্নেল/সপ্লিমেন্টরি কেন্দিদেট ওইনিংবশিংগী পর্মিসন ফোর্ম পীশিনবগী মতম লাক্লিবা নবেম্বর ২৩ ফাওবা শাংদোক্লে। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা ফাইন থীদুনা পর্মিসন ফোর্ম পীশিনবা য়াগনি হায়না বোসেমগী কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসন কে টিকেননা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা খঙহল্লক্লি।

HL Poll

Q: Hayengdagi hougadouriba parliament ki ningtham meefam ashida CAB 2019 sungsoi soidana pass tougani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Accident toina thokkanba mafamsingda leingakna traffic police ningthina leihandabagi matou ashi yaningbra?

Yes 21% No 79%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

লাইশ্রম সরিতা ইন্টর্নেসনল বোক্সিং এথলিটস কম্মিসনগী মেম্বর খনখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৭(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা নুপী বোক্সর অমা ওইরিবী মণিপুরদগী হৌখিবা লাইশ্রম সরিতা য়েংনবা লৈতনা অহানবা ইন্টর্নেসনল বোক্সিং (এ আই বি এ) এথলিটস কম্মিসনগী মেম্বর ওইনা খনখ্রে।

ইন্টর্নেসনল বোক্সিং এসোসিএসনগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইরিবা মহমদ মুষ্টাসনেনা ওফিসল ওইনা ফোঙদোরকখিবদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপী বোক্সর অমা ওইরিবী লাইশ্রম সরিতা অহানবা ওইনা শেম্বা ইন্টর্নেসনল বোক্সিং বোদিগী এথলিটস কম্মিসনগী মেম্বর ওইনা খল্লে হায়খি।

ইন্টরিম প্রসিদেন্ট মুষ্টাসনেনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা লাইশ্রম সরিতাগী এক্সপিরিয়েন্স অমসুং মহাক্লা মতম শাংনা বোক্সিং দিসিপ্লিন অদুদা শরুক য়াদুনা লাকখিবা অদুনা কম্মিসন অসিগী মায়কৈদগী

…মখা লামায় ৩ কলম ২

সী বি আইগী মায়োক্তা পুলিস কম্মান্দোশিংনা হায় কোর্টতা ক্রিমিনেল পিটিসন ফাইল তৌরক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭(ঐচ এন এস): হৌখিবা কুমজা ২০১২গী জন্যুৱারী ১৮গী নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা ইরিলবুংগী মাসি কমপ্লেক্সকা নক্লনা লৈবা অৱাচীংগী চীংখোঙগী মফম অমদা খুৎ থোক্লবনি হায়দুনা এম দি ইশাক অমসুং এম দি মুষ্টাকিমবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদা কেস রেজিষ্টর তৌরুবা সী বি আইগী মথক্তা থৌদোক্তুদা শরুক য়াখিবা কম্বাইন্দ কম্মান্দো টিমগী লুচিংবা অমা ওইখিবা পুলিস ওফিসর অমনা লুচিংবা পর্সনেল ৬না হায় কোর্টতা ক্রিমিনেল পিটিসন ফাইল তৌরক্লে।

থৌদোক অসি ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চল্লিবা অৱাচীং চীংখোঙদা শুপ্পতী মেন রোদতগী কিলোমিটর অমরোমদমক গোলাই অমা ফাওরগা চঙশিল্লগা লৈবা লম্বীগী মফম অমদা থোকখিবনি।

থৌদোকসিগী মতাংদা কম্বাইন্দ টিম অসিবু লুচিংখিবা কম্মান্দরশিংনা ফোঙদোকখিবনা ইরিলবুং অমসুং কৈরাও এরিয়াদা কোরকোমগীনি চিংনবা য়ু জি কাদরশিংনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলি ইলেক্সন, ২০১২গা মরী লৈননা প্রি-জুদিসল এক্টিভিটিশিং চথগদৌরে হায়বগী পাউ ফংবদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিংগী কম্বাইন্দ টিম অমা চঙশিনখিবনি হায়রি।

থৌদোক থোকফমদুদা কম্বাইন্দ টিমগী কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন চথখিবা পর্সনেলশিং অদুনা য়ৌশিনখিবদা মারুটি ভেন (সিল্কি সিলভর কলর) এম এন-০১/এক্স-১০০৪ অমা লাকপা উবদগী লেপ্লবা হায়রুবদা গাড়ীদুদগী নহা অমা চোংথরক্লগা কম্বাইন্দ টিম অত্না নোংমৈ কাপশিল্লক্লগা নাম্ব্রোক্তুনা চেনখিনবা হোৎনরকপদগী কম্বাইন্দ টিমনা খুৎ হন্দুনা মিনিট ৩/৪ রোম নোংমৈ কাপ্পখিবদা মীওই অনী থৌদোক থোকফমদা শিখিবনি। মখোয়দগী পোইন্ট থ্রী-টুগী পিষ্টোল ১, চাইনানা শাবা

…মখা লামায় ৩ কলম ৬

ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৭ °C খ্বাইদগী ঈংবা ১৩ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৬

Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL → DELHI	
Air Asia (India)	13:45
IndiGO	14:30
IMPHAL → GUWAHATI	
IndiGO	09:45
Air Asia (India)	11:15
IndiGO	14:15
Air India	14:20
IMPHAL → KOLKATA	
IndiGO	10:50
Air India	15:10
IndiGO	15:20

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	79.181260
US Dollar	71.645310
British Pound	92.441156
Australian Dollar	48.849953
Chinese Yuan Renminbi	10.222780
Japanese Yen	0.658877
Malaysian Ringgit	17.246893
Australian Dollar	48.849953
Singapore Dollar	52.665590
South Korean Won	0.061603
Saudi Arabian Riyal	19.105416
Thai Baht	2.367436
Myanmar Kyat	0.04734
Bangladesh Taka	0.84474

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	38983.96
Mumbai	–	Rs	40000.00
Delhi	–	Rs	39786.10
Kolkata	–	Rs	40192.51

অস! লোইরেহে!

- সিফাই য়াম্না থুংলরে অরাংফম ফম্বা কান্নরগনি ইপাগী ইবুংঙো!

- ꯁꯤꯐꯥꯏ ꯌꯥꯝꯅ ꯊꯨꯡꯂꯔꯦ ꯑꯔꯥꯡꯐꯝ ꯐꯝꯕ ꯀꯥꯟꯅꯔꯒꯅꯤ ꯏꯄꯥꯒꯤ ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ!



- বাজি ঐসু খল্লিবনি সিফাইশিংসে উরগা অরাংফম ওইবা কান্নরক্কনেনা!

- ꯕꯥꯖꯤ ꯑꯩꯁꯨ ꯈꯜꯂꯤꯕꯅꯤ ꯁꯤꯐꯥꯏꯁꯤꯡꯁꯦ ꯎꯔꯒꯥ ꯑꯔꯥꯡꯐꯝ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯀꯥꯟꯅꯔꯛꯀꯅꯦꯅꯥ॥

নাগা পিছ টোককী মতাংদা পব্লিসরশিংনা তোঙান-তোঙানবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরক্লি

জলালউদ্দিন সাহ
পব্লিসর,
ঈচেল এক্সপ্রেস

মণিপুর মীয়াম্না ৱাখল লৈতাবা ঙমদনা লৈরিবা অসি করি মরমগীনো হায়বা খঙনা-খঙনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকপা য়াবা ৱাফম অমত্তা য়াওদে হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়দুনা তুমিন্না লৈহন্নীংদে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী তোঙানবা ৱাখল্লোন অমা লৈ হায়বসি মীয়াম পুন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। ঐখোয়গী মীৎমাংদা থোকখিবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী থৌদোক কাউবা লৈত্রি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা তুংগী খল্লগা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্থদুনা থবক তৌহন্নীংই। মণিপুরগী এম এল এ ৬০মক্লা দিল্লিদা চৎলগা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়দুনা থোঙ থিনবগী মতম ওইরে। কোকোমিগী লিচিং মখাদা মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিসু থাগৎনিংঙাইনি, তাল্লিবা দিমান্দ অসিসু মরম চাই। নাগা পিছ টোকনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা অশি-অনা ফাওবা য়াওখ্রে। মরম অদুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অদু অমুক হন্না থোকহন্দনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা থবক পায়খৎহন্নীংই। করিগুম্বা নাগা পিছ টোকনা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকহল্লক্লবদি মণিপুর মীয়াম খক তুমিন্না লৈরোই হায়বসি লৈঙাক্লা খঙবীবা ফৈ। মণিপুরগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়াম্না চিংনিনংঙাই ওইরি। ৱারোইশিন অসিনা মণিপুরদা করি ওইরক্কনি হায়বা তম্বা ঙমদবা ফীভমদা লৈবনা কোকোমিনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি শৌগৎপগা লোয়ননা ফুরুপ খুদিংমক্লসু অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাউ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা খঙহনবা য়াম্নমক মথৌ তাই। এম এল এ ৬০ মক্লা থম্মোয় শেংনা মণিপুরগীদমক চোংথোরক্তুনা মীয়াম্বু লুচিংলগা ঈহৌ অসিবু হেন্না মায় পাক্লা চঙশিনবদা অচৌবা থৌদাং লৌহন্নীংই। লৈঙাক্লা মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক তৌবীয়ু। মদুনা পুন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। পিছ ওইনা ৱারোইশিন পুরকপদি য়াম্না ফৈ। অদুবু ৱারোইশিন অদুনা মণিপুর কায়নবা শিনবদি য়ারোই হায়বসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা খঙহন্ননবা পুন্নমক্লা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

সৌবাম নিলধ্বজ
পব্লিসর,
হুইয়েন লানপাউ

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি নাগা লালহৌলুপশিংগী মরক্তা চথরকখিবা পিছ টোকক্কী ৱারোইশিন অমা পুরকপগী ফীভমদা লাকপা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা অফবনি। অদুবু ৱারোইশিন অসিনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বসিদি মণিপুরী খুদিংমক্কী অপাম্বনি হায়বসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খঙবীগদবনি। মণিপুর লৈঙাক অমদি কোকোমিনসু এন এস সী এন-আই এমগী লুচিংবা মুইভাগা তোঙান্না উনদুনা ৱারী শাবগী লম্বী অমা থিবসু কান্নবা ওইগদ্রা খল্লি। মদুনা মায়কৈ অনীমক্কী য়াইফবা ওইরকপসু য়াই। মহাকসু লমদম অসিদা পোকখিবা অমদি হৌখিবা মীশক অমনি। এন এস সী এন-আই এমনা তাল্লিবা দিমান্দ পুন্নমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীগনি হায়বসু থাজদে। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়দুনা চঙশিল্লিবা খোঙজংদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপচা খুদিংমক থৱায় য়াওনা য়াওহন্নীংবগী চাং অদু য়ৌনা য়াওবা মান্দবগী মতৌ উবা ফংই। থৌওং অসি দবল ষ্টেন্দর্দকী মওং মাল্লি। মণিপুর অসি লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমক্কীনি। মণিপুর কায়হল্লোইসি, ঐখোয় পুন্না নুংশি-চান্নগা হিংমিন্নসি হায়রগদি ফুরুপ খুদিংমক্লা য়াম্না পূকচেল শেংনা দেম্মক্রেটিক ওইবা মওংদা পুন্না চঙশিনমিন্নবা চঙই। ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা নাগাশিংদা করিগুম্বা খরদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীখিবা য়াই। পীখ্রগনা করি তৌবা, পীদ্রগনা করি তৌবা হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্লা য়াম্না চেকশিন্না প্লান এ, বি অমসুং সী হায়বনচিংবা ওঙ্সনশিং থমদুনা প্লানিং তৌহৌবগী তঙাইফদবা লৈ, তুংগী খনবীদুনা অচেৎপা ফিরেপ অমসু লৌহন্নীংই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং নাগা লালহৌলুপশিংগী মরক্তা চহী ২২ হেন্না ৱারী শানরকখিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা য়ানখ্রে হায়বা ৱাফম মীদিয়াগী থোঙদগী তাবদা য়াম্না নুংঙাই। নাগালেন্দনা ঈংনা-চিক্লা লৈবা অদু মণিপুর মীয়াম্না পাম্মী। মণিপুরীশিংগী ফজবা ৱাখল্লোন অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনসু খঙবীদুনা ষ্টেট অনীমক্কী য়াইফনবা থৌরাং পায়খৎপা চুমগনি।

ঙাঙোম দেবেন্দ্রো
পব্লিসর,
ইরৈপাক

ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলক্লিবা থবকশিংগী মতৌ অসিনা মণিপুরগী মীয়ামদা করিগুম্বা খরদি লোৎলগা থম্বদৌনা তৌই। ৱারোইশিন অসিগী মতুংইন্না মখা তারকপদা করি করম্বা থবক-থৌরমশিং তৌরক্কদগে খঙদবনা ঙসি কোকোমিগী খোঙজংবু শৌগৎলদুনা মীয়াম্না য়ুনিটি অমা শাগৎপগা লোয়ননা চেকশিন মীফম, মৈরা রেল্লি চৎপা অমদি মফম-মফম খুদিংদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না চঙশিল্লিবা খোঙজংশিং য়াম্না ফৈ। মণিপুরীশিংগীদমক তুংগী খন্দুনা খোঙজংশিং অসি তৌদবা য়াদবা তঙাইফদবা থবক অমনি। হৌখিবা তাঙ্কক কয়াদসু মণিপুরগী মীয়াম্না মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়াবা ৱাফম লাকপদা ঈহৌ কয়া হৌদুনা মায়পাকখিবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংনা অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা খোঙজং অসি পুন্না চঙশিনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। করিগুম্বা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি নাগা লালহৌলুপশিংগা ৱারী শানবগী ৱারোইশিন অসিদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়াবা ৱাফম য়াওরকপদা মণিপুরদা ওইরক্কদৌরিবা ফীভম অসি অকিবগী মশক ওইগনি। মতম লৈরিঙৈদো লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং, ওপোজিসনদা লৈরিবশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মণিপুর মীয়াম্না কোকোমিনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা শৌগৎতুনা মণিপুর মচেৎ তানা কায়দনবা পুন্না হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন্না মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা খঙহন্নবগীদমক লেপ্পা লৈতনা খোঙজং চঙশিনবগী মথৌ তত্রা খল্লি। মণিপুর মীয়াম্না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মথক্তা থাজবা লৈত্রিবা অসিদা লৈঙাক্লসু শাউফম থোক্তে। চীন্দনা অমা হায়বা, থবক্তনা অমা তৌরকপনা থাজবা ৱাৎপনি। মণিপুরগী এম এল এ ৬০মক্লা ঈহৌ অসিদা শরুক য়াদে হায়বদি লানগনি। অদুম্মকপু মপী-মপা ওইরিবশিংনা মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক তৌহন্নীংই।

খোইরোম
লোয়ালাকপা
পব্লিসর এন্দ এডিটর
নহারোলগী থৌদাং

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি নাগা লালহৌলুপশিংগা চহী ২২ রোম ৱারী শানরকখিবগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা য়াবগী ফীভম লাকপসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা খুকউ শেন্দুনা লৈহন্নীংই। ইন্দো নাগা পিছ টোক্লা হীরম অমত্তদা মণিপুর শোকহনবা তৌরোই হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্লসু মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হল্লোই হায়রি। ইন্দো নাগা পিছ টোককী ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবি নাগালেন্দগী মী থেংনরগা নাগলেন্দগী ৱা ঙাঙবা অমদি মণিপুরগী মী থেংনরগনা মণিপুরগী ৱা ঙাঙবা মানবগী মতৌ উই। মরম অদুনা মণিপুরগী মীয়াম ৱাখল লৈতাদবনা ঙসি কোকোমি অমদি মীয়াম্না এম এল এ ৬০ গী য়ুমশিংদা চঙশিন্দুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হনগনু হায়না খোল্লাউ কয়া লাউরি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লমদমসিগী হৌখিবা পুৱারীশিংবু উরগা মণিপুরীশিংসে মমা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাবা পাম্মুদবা মীওইশিংনি হায়বসি শোয়দনা খঙলমগনি। ৱারোইশিন অসিনা মণিপুর কায়বা য়াবা হীরম অমা হেক লাকপদা মণিপুরগী মীয়াম্না করি করম্বা থবক পায়খৎকনি হায়বসি মণিপুরীশিংনা ৱারেপ লৌদুনা লৈরবনি হায়বসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খঙনা থবক তৌরকপা ফৈ। ঙসিগী লৈঙাক্লসু সেন্টরদা চৎতুনা তোঙান-তোঙানবা মিনিষ্টরশিং উনদুনা ৱারী শাবা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু তাঞ্জা অসিদদি মণিপুরগী এম এল এ ৬০ মক্লা ঐনা কংগ্রেসনি, বিজেপিনি, সী পি আইনি নত্রগা তোঙানবা পার্টিনি হায়বগী ৱাখল্লোল অদু থাদোক্তুনা দিল্লিদা পুন্না চৎমিন্নদুনা ইন্দিয়া গেট নত্রগা জন্তর মন্তরদা চৎতুনা প্রোটেষ্ট তৌবগী মতম অদু ওইরবনি। রুলিং পার্টি অমদি ওপোজিসন পার্টি হায়বা নাইদনা মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা অইবা ষ্টেটমেন্ট অমা লৌবিবা ঙল্লগদি মণিপুর মীয়াম্না য়াম্না পেনবা হায়বদু ওইগনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগী পুৱারী হঙৎনা য়েংলুরগদি মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ঐখোয় পুন্নমক তুমিন্না লৈথোকপদি য়ারোই।

টি ঐচ উদোয়
এগজিক্যুটিভ
এডিটর কম
পব্লিকেসন হেদ,
সনালৈবাক

নাগা পিছ টোক্লা মরম ওইদুনা মণিপুর মীয়ামগী থম্মোয়দা তংদু লৈতাবা ঙমদনা চরাংনদুনা লৈবা অসি য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওই। কোকোমিগী লমজিং মখাদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লিবা খোঙজংশিং ৱারোইশিন অসিনা তং-তাবা ৱাফম অমা হেক খঙদ্রিবা ফাওবা মখা তানা চঙশিনবা মথৌ তারি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা লৈঙাকপশিংনা দিল্লিদা চৎতুনা হোম মিনিষ্টরগা ৱারী শানরুবদা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকপা ৱাফম অমত্তা য়াওদে হায়না থাজবা পীরকপা তাবদা য়াম্না নুংঙাই। তৌবতবু ৱাফম অদুদা লৈবাক মীয়াম্না থাজদবা অমদি চিংনবা অমদি ফাওই। মরম অদুনা চেকশিন মীফম, মৈরা রেল্লিনচিংবা খোঙজং কয়া মণিপুরগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লি। চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মণিপুরী ঐখোয় পুন্নমক্কী ওইনা তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাং অমনি। মালেমগী লৈবাকশিংনা শকখঙলবা লেমজনিংঙাই ওইরবা মশক থোকপা শঙাই ফেষ্টিবেল লৈঙাক্লা পাঙথোক্কনি হায়রি। অমরোমদনা সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংনা মণিপুরদা ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলগা শঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপীগনু হায়রি। চীফ মিনিষ্টরনা তঙাইফদবা লাক্লবদি অখনবা এসেম্বলি সেসন কৌগনি হায়না ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি য়াম্নদি ফজে অদুবু কৈদৌবগী তঙাইফদবা তাঞ্জা লাক্কদৌরিবনো হায়বসি মীয়ামগী অচৌবা ৱাহং অমনি। তঙাইফদবা তাঞ্জা হায়বা ৱাহে অসিগী ৱাহন্থোক য়াম্না লুবনা সী এস ও পুন্নমক্কী থম্মোয়দা অমদি মীয়ামদা হেন্না লাংতক্নবা ফাওহল্লি। নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা লমদম অসিগী লৈঙাকপশিং, সী এস ও অমদি ষ্টেক হোল্দরশিংগা তান্নরমগনি হায়রিবা ৱাফম অসি য়াম্না মুন্না খন্থনিংঙাই ওইবা ৱাফম অমনি। ৱারোইশিন পুরক্কদৌরিবা অসিদা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকপা য়াবা ৱাফম অমত্তা য়াওদে হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অইবা চেরোল অমা পীরবদি মণিপুর মীয়াম্না লৈঙাক্তা শোয়দনা থাজবা থমগনি খল্লি।

মথক্তা ফোঙলিবা পাউদম অসি পব্লিসর অয়াম্বা উননবা হোৎনবদা থেংনরকখিবা পব্লিসর খরা অমদি পাউচে পুথোকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবা মশাগী ওইবা ৱাখল্লোনশিংনি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫